# নামা হায়রিঙৈ য়াদ্রগা পোৎমা হায়রগা য়াগদৌরিব্রা ?

থাংজম রঞ্জিৎ

*সেদ্যুল* ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরনা হৌখিবা কুমজা ২০১২দগী হৌনা চঙশিল্লক্তুনা লাকখিবা খোংজং ‘‘য়েলহৌমী মীতৈ ফুৰূপপু ইন্দিয়া কষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২(১) গী মখাদা এস টি লিষ্টতা চন্নবগী মণিপুর গভর্নমেন্টগী রিকমেন্দেসন ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাগদবনি’’ হায়বা অসি হৌজিক চহী ৭ মপুং ফাজিল্লক্লে অমসুং সেন্টরনা মীতৈগী ইথনোগ্রাফি অমসুং সোসিও ইকনোমিক সর্ভে রিপোর্ট ২০১৩ দা থারক্লবা হায়রকখিবা লৈরবসু মণিপুর লৈঙাক্লা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা থবক অমত্তা পায়খৎপিদবনা হন্দক্তা আসামগী য়েলহৌমী ৬কা পুন্না এস টি লিষ্টতা চল্লন্বা য়াবগী খুদোংচাবা অদুসু ফংহৌদ্রে।

ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই মদুদি মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংনবগী অমসুং ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবগী খোঙজং কন্না চঙশিনখিবা মতমদা সেন্টরনা মেঘালয়া অমসুং ত্রিপুরাসু মণিপুরগা লোয়ননা ষ্টেট হুদ পীখি অমদি কোনকানি অমসুং নেপালি লোনসু মণিপুরী লোনগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখি। য়াম্না লায়না মীতৈসু এস টি লিষ্টতা চল্লন্বা য়াবদু লৈঙাক্কী অশোয়বা লৈবদগী ট্রেন মিস তৌখ্রে হায়না লৌবা য়ারে।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী **Criminal Appeal No. 11/2011 (Spl. Petition No. 10367 of 2010, dated 5th Jan. 2011**গী মতুংইন্না পীখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না হৌজিক সেদ্যুল ত্রাইব ওইরিবশিং অসি ইনিদয়াগী অহানবা/অরিবা খুন্দারিবশিং/য়েলহৌমীশিংনি অমসুং মখোয়গী মশীং অসি ইনিদয়া অপুনবা মশীংগী ৮% খক্ত ওই হায়খ্রবনি। মীতৈ ফুৰূপ অসিসু লমদম অসিগী অহানবা খুন্দা মী/য়েলহৌমী ওইবা মরম্না মশানা/ময়েক্লা সেদ্যুল ত্রাইব ওইফম থোক্লবনি। অদুবু পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা (১৯৪৯-৫০) মীওই খরগী খুজিল থৌরাংদগী মণিপুরগী হৌজিক এস টি ওইরিবশিংগুম্না মীতৈসু এস টি লিষ্টতা চল্লন্বা য়ারন্বা অদুসু চলহৌদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মীতৈ ফুৰূপ লৈখা তানবগী মরু ওইবা মরম ওইহনখিবনি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়েলহৌমী ২৭২গী মনুংদা আসামগী ফুৰূপ ৬ মক অহোম, চুতিয়া, মোরান, কোচৱাজ-বঙসি, মুতোক অমসুং টি ত্রাইবশিং এস টি লিষ্টতা চনখ্রবা মতুংদা এস টি লিষ্টতা চলহৌদবা মরুওইবা য়েলহৌমী অশেংবা অমা হায়বা তারবদি মীতৈ ফুৰূপনি। অপুনবা মণিপুরগী ৮% গী তমপাক্কী শরুক্তা মীতৈনা তারিবসি শুপ্নতগী ৪% খক্তনি। করিগুম্বা মীতৈ ফুৰূপ অসি অথুবদা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা সেফগার্দ অমা পীহৌদ্রবদি ইম্মীগ্রেন্ট অমদি মাইগ্রেন্টশিংনা চহী খরগী মনুংদা খুল্লিংবা মফম অমা ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা য়াম্না চাউনা লৈ। মসি ইম্ফাল ফাওবা ট্রেন য়ৌরক্লবা অমদি ট্রান্স এসিয়াগী মোরে ফাওদুনা চৎকদবা ট্রেননা য়ৌরক্লবা মতমদনা হেন্না শাথিনা ওইগনি।

মসিগী অচৌবা মরম ওইবা য়াবদি লৈহাও চেনবা, লৈবদা নুংঙাইবা, মণিপুরগী তম্পাক্কী শরুকশিং অসি মীতোপশিংনা কল্লকনবা মফম অমা ওইবা অমদি মখোয়শিং অসি অশিংবা, হোৎন-কনবা, লিংজেল মান্নবা, মশা কনবা, অৱাবা য়াম্না খাংবা ঙম্বা, তন্দবা, মশীং য়াম্বা, শেল-থুম নিংথিনা শীজিন্নবা হৈবা, পৈশা তানবা হৈবা, শাওগনদবা, থৌগল্লোন খঙবা অসিনচিংবা ঐখোয় মীতৈদা চেন্দবা গুণ কয়া চেনবননি। করিগুম্বা সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি এক্ট ওন্দুনা চৎনরক্লম্লবদি য়াম্না শাথিনা অহানবদা শোক্কদৌরিবা ফুৰূপ অসি মীতৈনি অমদি মসিনা তপ্না তপ্না শন্দোকখিদুনা অতৈ য়েলহৌমীশিংসু শোক্তবদি য়ারোই। মসিগী চপ চাবা খুদম হায়ববু ত্রিপুরা অমদি সিক্কিমদা ওইরিবা অসিনি। অখঙ-অহৈশিংনা পান্নরিবা লাক্কদৌরিবা মীতোপশিংগী মশীং অসি চাউরাক্লা ক্রোর ২ মুক্লি। মসিগী মনুংদা অপিকপা চাবা-থকপা নুংঙাইবা, অইং-আশা ফবা, মীয়োক মীচান ফবা, লৈবদা য়ৈখায় থিনগাই লৈতবা মণিপুর তম্পাক্কী শরুক অসিদা লাখ ৫-১০দি শোয়দনা হাইজিল্লক্কনি হায়না পান্নরিবনি। মখোয়না সিটিজন ওইরক্লবা অমসুং ভোট লেপ্পা য়াররক্লবদি শোয়দনা ইম্ফালগী ময়ায় ওইরপনা লৈরিবা থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ, য়াইস্কুলনচিংবা কন্সটিট্যুএন্সি খরদি য়েলহৌমী ময়াম্না ভোট লেপ্লকপা থোক্লবদি মীতোপ অমখক্তং লেপ্পদা শোয়দনা কাখিনি। দিল্লিগা লোন ফাওনবনীনা সী এম শোয়দনা ওইখিগনি, ৱায়েল চুপ্লি লায়না পায়দুনা মীতোপশিংনা খুলিংবা ষ্টেট, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগুম্বা অমা ওইখিগনি।

মরম অদুনা মীতৈ য়েলহৌমী ফুৰূপসু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২(১) গী মখাদা এস টি লিষ্টতা চনবিদুনা মশাগী নাট, লোন, লাইনিং-লাইশোন্নচিংবা ঙাকপি শেনবিবা মথৌ তারে। করিগুম্বা সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরম্লবা অমদি এক্ট ওন্দুনা চৎনরম্লবদি এস টি লিষ্টতা চন্দবা মীতৈশিংনা তারিবা লমদা লৈবা-য়োনবা য়াবা মরম্না লায়না মীতৈশিংদগী লম তপ্না তপ্না লৌশিনখিদুনা য়ুমদাংবনা কৈনাবা মফম অমা ওইরক্কনি অমদি চহী ১০-২০ দা মীতোপশিংনা খুল্লিংবা লম ওইরক্তুনা মীতৈশিং মুৎপগা পাংখক ওইরক্কনি।

এস টি দি সী এমনা মখোয়গী খোংজং অকি -অখং, মৈহৌ-লাংপোক থোকপা য়াবা, অশি-অনা য়াওবা য়াবা, থৌদোক ৱাথোক্লা থনবা অদুগুম্বা মওং অমদা ঈহৌ অমা চঙশিল্লক্কনি হায়বা অকিবা মীয়াম্না ফাওনরকপনা, য়ারবদি মীতৈ ফুৰূপসু এস টি লিষ্টতা চন্নবগী তৌফম থোকপা খুদিংমক মণিপুর লৈঙাক্লা মতম লৈরিঙৈদা লৌখৎপিবা মথৌ তারে হায়জনিংই। দিমান্দ অসি মীতৈ কৌবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী অশেংবা ওইবা অসি কনবতা নত্তনা মণিপুরদা লৈবা য়েলহৌমী অতৈসু কনবা ঙমগদৌরিবনি। য়ৈখায়-থিনগাইবা, অশি-অনা থোক্লবা মতুংদা থবক পায়খৎপগী হৈনবী অসি তোকপিদুনা ঈংনা তপ্না ৱারী শানবদা থাজবা থমদুনা থবক পায়খৎপীদুনা মণিপুর অসি অইংবা, তংদু লৈতাবা, চাওখৎপা, মাংজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইনবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবিয়ু হায়জনিংই। নামা হায়রিঙৈ য়াদ্রগা পোৎমা হায়রগা য়াবগী হৈনবী থাদোকসি, শারিঙৈদা য়ৈশি হায়বা ঈপা ঈপুগী পাউতাক কাউগুমসি/নীংশিংসি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীয়ামগী মচিন মেল্লগা য়াগদবা নত্তে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*য়োৎপীনা* উগা তিন্নরুবদগী ঈশিংদা তাওই। অদুগা উনা য়োৎকা শম্নরবসু অতাওবা উদু ঈশিংদা লুপখি। উগা য়োৎপীগা য়েংনবদা উনা দেন্সিটি ৱাংলবা অদু ওইরবদি য়োৎ অদু উগা শম্নবনা ঈশিংদা তাওগনি। য়োৎকী দেন্সিটিনা হেল্লবদি ঈশিংদা তাওবা উদু অদুম লুপকনি। মসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি অপিকপা মীশিং য়ামজদবা শুপ্নগী লোক সভাদা এম পি অনীদগী হেন্দবা মণিপুর, চাউখ্রবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবনা ঐখোয় লুপ্পা তারি। ঐখোয়গী য়েলহৌমীগী লৈজবা চাকচা-য়ুথক, লাইনীং-লাইশোন, ফিজেৎ-চাকচা, নাট অমদি কলচর য়াওনা ইন্দিয়াগী অপূনবা লাইনীংনা য়াবা চৎন-পথাপ্তা তপ্না তপ্না তিনখিবা তাবনি। মসিমক থোক্লবা সেন্টর লৈঙাক্লা মতম চূপ্পগী হোৎনদুনা লাকপগী মহয় অমা ওইনা হন্দক লোক সভাদা সী এ বি পাস তৌখিবা অসিমক লেংবা য়াদ্রবা খুদমনি। মসিদগী অৱাং নোংপোক লমদমগী মরু ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না মশাগী মরমদমগী নাট অমদি শক্তম কনবা ঙম্নবা হৌনরুবা নাইদনা, তূম্বা চাবা থিদনা ঈহৌ কয়া অমদি এজিটেসন কয়া চত্থরকখি। বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়াবগী মমি উরকপদা মীয়ামগী খোঙজং অমুক্কসু হেন্না কননিশনবা হেল্লকপনা মীয়ামগী ঈহৌ থিংনবা মিদিয়া ফাওবা পুমথিং থিংবগী খোঙথাং অমা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা অসি মালেমগী মফম অমদা চৎনদবা থৌওংনি। মিদিয়াগী মচিন মেনবনা মীয়ামগী ঈহৌ থিংবা অমদি ইরমদম মণিপুর কনবা ঙমগদবা নত্তে। গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক অমদা অসিগুম্বা মীয়ামগী মচিন মেন্নবা হোৎনরকপা অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক অমনি করম্না হায়গনি। মসিমক ঙসিগী ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক অনীনা চত্থরকপা শুপ্নম সাসন অমনি হায়দবা য়ারোই। মসি ঐখোয়না খঙনা খঙনা, তানা-তানা খাংফম থোক্তে। লৈপাক্কী মপি মপানি হায়রগা মীওইবা ফুরুপ্পু শা-ষণ মরোল থোক্তবা জীব কয়াদা চৎনগদবা আইন শেস্ফম থোক্তে। মসিদি থায়নগী তোল্ল-তারবা মীওই কয়া লৈবা য়োনবা তৌরিঙৈ মতমদুগী চৎনরোলনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইরগা মীয়ামগী রাইটস মাঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসি নোংমদি মীয়াম্না অচৌবা পাড়া অমদি তন্বীবা শোইরোই। ফম পায়বগী লাইবক্তি মীয়ামগী খূৎতা লৈবনি হায়বসি তৎতনা নীংশিংবা চুমগনি।


*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

মমি ৱারী

# *‘কুরাক্কী মঙ’*

*তিংথৌনু*



*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*